হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জুন ০২, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৬৭শুবা মশীং

# অশোয়বা থৌশিলনা মীয়ামদা ৱাহনবা

## হুরানখ্রবা মতুংদা মৈরিংবা, য়াওশঙ লোইখ্রগা অবের থুংলবা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়াগী মফম শীনবা থুংনা থল্লিবা লোকদাউনগী মতম থেঙ্খ্যাং কয়ারক শাংদোকহন্দুনা লাক্লি। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা লোকদাউনগী কাঙলোন লাউথোকখ্রবা মতুংদা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংনা লোকল এদজষ্টমেন্ট তৌদুনা হীরম কয়াদা অথিংবা থম্লরি। মণিপুরগী ওইনসু জুন ৩০ ফাওবা লোকদাউন তৌরগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে। অদুবু লোকদাউন তৌবনা খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিনবদি লায়রদনা নোংমা-নোংমগী কেস মশীং হেনগৎলকপগুম তৌরি। লোকদাউন হৌখিবা নুমিৎ, মার্চ ২৫দা ইন্দিয়াগী অপূনবা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং ৬১৮ ওইখি। লায়না-লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মীশিংনা শুপ্নগী ১৩ খক ওইখি। লোকদাউন তৌরকপা থা অনী হেল্লক্লবা মতুংদা হৌজিক ইন্দিয়াগী অপূনবা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং অঙকপা ফংনা য়ামখৎলক্লে। শিখিবা মীগী মশীংসু নোংমা-নোংমগী হেনগৎলক্লি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা লোকদাউননা কদায় ফাওবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিনবদা মতেং ওইনরবগে হায়বা ৱাহং অমা থোকহল্লক্লে। লোকদাউননা খ্বাইদগী কনবা চৈথেং পীরিবসি মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং অমসুং নোংমগী খূৎশুমলনা হিংলিবা মীওইশিংদনি হায়বসি পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। লায়রবনা মশীং হেনবা লৈবাক অসিদা হৌজিক মায়োক্লরিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা শীংনবদি কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিনবগা লোয়ননা মীপূম খুদিংমক চরাংনবা হেলহন্দনবা হোৎনবগী মতাংদনি। হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়, মীপূম খুদিংমক শিবা কিনরিবা ঙাক্তনি। অদুবু নোংমগী চরা অনী পুক থন্না চাবা ফংনবা হোৎনবদা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং অমদি লায়রবা মীয়াম্না সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন থৌশারক্তবা মশানা তাবনি। ইনাকখুনবা মীওইশিংগীদমক্তদি ইমুংদগী মপান থোক্তনা লৈবা অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকপা হায়বসি খরা হৈনদবা ফাওরগসু থোইদোক্না অরুবা নত্তে। মীওইবনা হিংবদা খ্বাইদগী মরু ওইনা চঙলিবসি চানবা চিঞ্জাক, শেৎনবা ফিরোল অমসুং লৈনবা য়ূমনি। পোৎলম অহুমসিগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবনা চিঞ্জাকনি। মীওই কয়ানা ইকায়-ইকি পূন্নমক থাদোক্তুনা নোংমগী অফং-অফংবা থবক শুরিবা অমসুং নুংশিরবা পোক্লফম লমদম থাদোক্তুনা থাপ্লবা লমদমদা থবক শূবা চৎলিবসি চরা হেন্দনবগীদমকনি।

নোংমা-ফাদোক জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরকপা নৎত্রগা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থম্লকপা মতমদা নোংমগী খূৎশুমলনা হিংলিবশিং অমসুং মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং চরা হেনবগী ফীভমদা লৈরিবনি। থা অনী হেন্না লোকদাউন তৌরক্লবদা মীওই কাঙলূপ অসি কয়া য়াম্না অৱাবা মায়োক্লরমগদগে হায়বা পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। লৈঙাক্না ইকনমিক পেকেজ লাউথোক্তুনা অমসুং তেংবাঙগী পোৎলম য়েন্থোক্তুনা মীয়ামগী মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎলবসু মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং অমদি নোংমগী খূৎশুমলনা হিংলিবা মীওইশিংগী অৱাবা কোকহনবা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। মসিমক্না লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌরিবসি অরানবা খোঙথাংনি হায়না লৌবা য়াদ্রগসু লোকদাউন তৌনা-তৌনা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং কা হেন্না য়ামখৎলক্লিবসিনদি কদায়দনো-করিনো অশোয়বা অমা য়াওরে হায়না লৌবদা লানগদবা মান্দ্রে। লৈঙাক্না শ্রমিক স্পেসল ত্রেনশিং চেলহন্দুনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মাইগ্রেন্ট ৱর্কর অমদি মহৈরোয়শিং মশা-মশাগী পোক্লফম লমদমদা হলহন্নবগী থৌরাং লৌখৎলিবসি খ্বাইদগী শোয়বা খোঙথাংনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি। মীপূম খুদিংমক মশা-মশাগী পোক্লফম লমদমদা হনবগী রাইট লৈ হায়বা তারবসু লৌখৎলিবা থৌরাং অসি খরা থেঙমল্লে হায়নরক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা ওপোজিসন লিদরশিংনা হায়, লৈঙাক্না করিগুম্বা লোকদাউন তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং মশা-মশাগী পোক্লফম লমদমদা হলহন্নবা থৌরাং লৌখৎপীরম্বা তারবদি ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী মশীং কা হেন্না য়াম্লমদবা য়াই। করিগুম্বা মখলগী খুদোংচাদবা নৎত্রগা শীংনবা অমা মায়োক্লরকপা মতমদা মরী লৈনবা অখঙ-অহৈশিংগা তানদুনা নীংথিনা থৌরাং তৌরগা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা নীংঙক-নীংঙকপা থৌরাং লৌখৎপনদি করিগুম্বা মখলগী কান্নবা অমত্তা পুরকপা ঙমগনি নীংদে। হৌজিক-হৌজিক খুদোংথিনীংঙাই ওইবা মওংদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী মতাংদসু মরী লৈনবা ইপিদমিওলোজিষ্ট, অখঙ-অহৈ অমসুং হেল্থ এক্সপর্টশিং তানরগা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলম্বা তারবদি মীয়ামগী অৱাবা খরমখৈ হন্থরম্বসু য়াই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### পোলিটিকেল পার্টিশিংনা চৈনবা-হুন্নবা মতম নত্তে

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা চাইনানা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা অমদি ইকোনোমিদা অনীশুবা লৈবাকনি হায়নরিবনি। কোভিদ-১৯ চাইনাগী ৱুহান সিটিগী লেবোরেটরি অমদগী হৌরকপনি হায়না লৈবাক অয়াম্বনা হায়নরিবনি। হৌখিবা মে ২৫, ২০২০গী মাস মিদিয়াগী রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌরকফম ওইরিবা চাইনানা মীশিং ৪৬০০ হেন্না শিখ্রে। চাওখৎলবা ইনাক খুল্লবা য়ু এস এনা মীওই ৯৯০০০ হেন্না শিখ্রে, শিবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। ইন্দিয়াসু মীওই ৪০০০গী মথক্তা শিবা হেনগৎলক্লি। মীশিংসু মালেমদা অনীশুবা লৈবাক ওইরিবনি। ইরমদম মণিপুরসু কোভিদ-১৯ ফ্রী ওইরম্বদগী মীওই ৭১ হেন্না পোজিটিভ ওইখৎলক্লি। মীচম মীয়ামসু হায়নীংঙাই লৈতনা মীপাইনরি শিগদ্রা-চঙগদ্রা হায়না। অদুবু চীং-তমগী মীয়াম্না নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পীনরি, লৌনরি, চামিন্নরি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন্দা। ইনাক কৈরাক খুনবা মীওইশিংনা মরল-মথুম লেপ্পগী মহুত্তা মীয়ামদা অঙন্বা মতেং পীনরি। লূপ খুদিংমক্লসু অঙন্বা মতেং পাংলি। মীচম মীয়াম কন্দবা য়াদে হায়দুনা মেদিকেল, এক্টিভ সর্ভিস, মাস মিদিয়া অসিনচিংবা কয়ানা অৱাবা শরুক খাংদুনা মীয়ামগীদমক হোৎনরি। লাইচৎ অসিগী মতমসিদা চীং-তম নুংশিনবা হেনগৎলক্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পীকখ্রবা ইরমদম মহারাষ্ট্র অমদি য়ু পিগী দিষ্ট্রিক্ট অমনা হেন্না চাউবা এম এল এ ৬০ খক লৈবা ষ্টেট অসিদা শক্তি লৈবা য়ু এস এ অমদি চাইনানা চৈনবা-হুন্নবগী শক্তম লৌবগুম চৈনরি-হুন্নরিবা অসি তানীংদে, পানীংদে, খঙনীংদে, ভোট ময়া নত্তবনিনা। মীয়াম লৈত্রবদি ভোৎ লেপ্পসু য়াররোই, ভোট কাবসু য়াররোই, ভোটকী শেল পীফমসু লৈররোই, মীয়াম কনবনা খ্বাইদগী মরু ওইবা ভোটকী পান্বে ওইগনি।

অরোইবদা লাইচৎ অসি কনবা ঙম্বা হীদাক লৈত্রিবনিনা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা চৈনবা-হুন্নবগী মহুত্তা সজেসন পীনরগা অমত্তা ওইনা সোল্যুসন পুথোকপা, ভোটকী মতম নত্তবনিনা মীয়ামদা পোলিটিক্স শান্নবীদবা, মীয়াম্না লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন ঙাক্না চৎপা, জিরিবাম অমদি মাও গেট চেকশিনবীবা, লৈঙাক্না মপান্দগী চঙলক্লিবা মীওইশিং অমদি মখোয় মখোয়গী অহল-লমনশিং লৈঙাক্কী কাঙলোন ঙাক্না চৎপা, মেদিকেল, এক্টিভ সর্ভিস, মাস মিদিয়া, লূপ খুদিংমক্না মীয়াম কন্দবা য়াদে খন্দুনা ৱাবীরিবা খুদিংমক লাইচৎ অসি থিংদ্রিবা ফাওবদং ৱাবীবা। ইরমদম মণিপুর অসি আর্ট এন্দ কলচরনা মালেমদা শক তাকপগুম, অনীশুবদা ষ্টেট অসি কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লৈতবা ষ্টেট অমনি হায়না চীং-তমগী মীওই পূন্নমক্না অমত্তা ওইনা মান্নদুনা অমুক্কসু মালেমদা শক তাক্লবা তাইবঙ শেম্বা মপুদা খুরুমজরসি পিকখ্রবা ষ্টেট অসি মাঙখিদনবা, মুৎখিদনবা।

*অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী, তোপ অৱাং লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট*

# ‘মোদি গমছা’

## (মণিপুরগী ফি মখল অমবু মালেম থুংনা শক্তাক্লকপা)

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬০৫

**জিতেন নামৈরাকপম**



ঙসিদগী চহী ৫০ রোমগী অদুৱাইদনি। অঙাং ওইরিঙৈ মতমনি। ঐখোয়বু মহৈ তাকপীবা ওজা রাজেননা পাম্না শেৎ-চাখিবা। ঐখোয়দসু অনৌবা ওইনা উখিবা ফিজোলদি থাংজিং মপাল মচুগী য়োংখম্না শাবা খুদৈনা ফুরিৎ খোঙগ্রাও ওইনা তুথোল্লগা হন্বর সাইকল তোংদুনা শেৎ চারগা লাকখিবদুনি। মৈতৈ নুপানা চৎনবী ওইনা শেৎনবা কুঞ্জ তাগেরা, নামৈ য়েপ্পরগা লেম্নবা ঐখোয়গী খুদৈবু ফেসন তৌথোল্লগা, মোর্দনাইজেসন ফেসন অমা ওইনা কমফোর্টেবল ওইগদবা মওংদা খুদৈনা খোঙগ্রাও ফুরিৎ ওন্থোক্তুনা ষ্টাইল তৌথোরকপদু অঙকপা চৎনবী মতেক অমা ওইখি। মদু মোর্দনাইজেসনগী শরুক অমনি। খৎন-চৈনবা, চেন চোংবদা নামৈ তাহৌবা, খুদৈ থোকপগী ৱাফমসু লৈররোই। ঐখোয়গী ফিজোলবুসু পাম্নজবা মওংদা শেৎ-চাবা কলচর, ত্রেদিসন্দদি হায়রপ কায়না উরগসু ঐখোয়গী ফিজোলবু পামজবা মওংদা শেমদোক-শাদোল্লগা অপাম্বা মওংদা পাম্না শেৎ-চাবনি।

খ্বাইদগী হৌরক্তদৌরে হন্দক ভাইরেল চৎলবা ‘মোদি গমছাগী’ মতাং অসি। লৈরুম ফিগা লেংয়ানফিগা য়ানশিন্দুনা থল্লুবদগী অমদি জিওগ্রাফিকেল ইন্দিকেসন ওফ গুদস রেজিষ্ট্রেসন এক্ট ১৯৯৯ লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ হেন্দলুমস এন্দ টেক্সটাইলসনা রেজিষ্ট্রেসন তৌহৌদবদগী ৱাথোক অসি লাকপনি। ঐখোয়গী মণিপুরগী ফিজোলবু মালেমগী থাক্তা খঙহন্নবা পান্দমদা মণিপুরদা লাকপা অচৌ-অশাংশিংদা খুদোল তৌবা চৎনৈ। অসামদসু অসাম গমছাগীদমক চাওথোকচৈ। কাশ্মীরগী শাল, দার্জিলিংগী চা মনা মালেমদা মমিং চৎলি। প্রাইম মিনিষ্টরদা খুদোল তৌখিবা লৈরুম ফি অমদি লৈরুম ফিগী মতৌ মচুদা লেংয়ান ফি খুদোল তৌখিবদু ইকায়খুম্নজরিবা লৈঙাক মপুনা ওন্থোক্না থৱায় তারুরমাল্লে। ইন্দিয়াগী অচৌবা ফঙ্কসনশিংদা ৱা ঙাঙবদা পামজরুবা দ্রেস ওইনা শীজিন্নরুবদগী ঙসিদি মালেমদা মণিপুরগী ফি অসি মশক খঙনবীদুনা মোদেল ওন্থোকপীখ্রে। থাগৎনীংঙাইনি। ইহান হান্না মণিপুরগী লৈরুম মানবা লেংয়ান ফি অসি য়ান্দুনা মহাক্কী অনীশুবা লৈঙাক্কী দিল্লিগী রেদ ফোর্ট মমাঙদা ৱাশকপদসু চীং লেম্না য়ান্দুনা থোরকখি। অনীশুবদসু লোকদাউন সেকেন্দ ফেজগী লাউথোরকপদসু ফি অসি য়েৎলগা মীয়ামদা লাউথোকপা উখ্রে। চীং লেম্না ৱা ঙাঙবদা ফি অসি শীজিন্নরকপদা মীয়াম্না পাম্বা হেন্নরকপদগী য়ু পিগী টেক্সটাইল কম্পানি অমনা পৱার লুম্না মতৌ তমদুনা পাক শন্না য়োল্লকপদগী শেন্দোং তাল্লকপদগী ঐখোয়গী ওইবা পোৎ অসি মীনা মুনবিখিদ্রা পাখৎনরকপগী মীপাইনবা অদুনি।

মীগী মতৌ তল্লগা মখোয়গী ওইবা মওং উৎথোল্লগা শেন্দানবা আইননা য়াদে। চৈরাক ফংনীংঙাই লৈ। মীঙোন্দগী কোপিইং তৌথোকপা চৎন-কাঙলোন থুগায়বা আইন্না য়াদবগী থৌদোক কয়া লৈনা লৈনা ৱাকৎনবা হৌজিকসু লেপত্রি। মসিদি মতমগী অওনবা, মীওইবগী নুংতিগী অপাম্বা অনৌ-অনৌবা অহোংবা লাকপগী মচৎ অমসুনি। হৌজিক্তি মণিপুরী ফি শাবীশিংগী পাখৎনবা অদু কুইররোই শোয়দনা নেমথখ্রনি। য়ু পিগী টেক্সটাইল কম্পানি অদুনা মখা তারক্লোই খল্লি। খ্বাইদগী নুংঙাইজবদি মোদিনা মণিপুরগী পুৱারীগা মরী লৈনবা লুহোংবখক্তদা উন্নবা লৈরুম ফিগী ৱারী অসি মালেম পূম্বদা শক্তাক্লক্তুনা খঙহনবীরকপা অসিনি হায়না লৌবসু য়াই। লেংয়ানফি ওইনা শীজিন্নরকপগী মতাংদসু মণিপুরগী ফিনি খঙনরকপদগী কারবারৱালাশিংনা য়োন্ননবা দিমান্দ তৌখৎলকপদগী ফি শাবীশিংগী অচৌবা শেন্দানফম ওইরকপসু য়ারি। কেস তৌদ-তৌশিল্লুরগনা নখোয়গী লৈরুম ফি নত্তে, ঐখোয়না মোদি গমছাগী মওং শাদুনা পুথোকচরকপনি, নখোয়গীদু নত্তে হায়না খুল্লকপসু য়ারি। মসিদি মাগী মাগী চৎনলোন, কলচর, ত্রেদিসনবু ঙাক্না চৎচনীংবা মীওইশিংদগী ওন্থোক্না খোইদৌ শাউগৎনীংঙাই ওইবা মচাক অমদি ওইরি। ঐখোয়না মৈতৈগী কলচরদা অরু-অনানগী থৌদোক্তা শীজিন্নবা ময়েক নাইবা, ফিগে ফনেক্কদু মপানগী ফোরেন কন্ত্রিদা থোংগী পর্দা (কর্টেন) ওইনা, টেবল ফিদা ওইনা নৎত্রগা অনী/অহুম তাইশিন্নরগা মোম্পাক ফিদক ওইনগা শীজিন্নরক্লগাদি মদু ঐখোয়গী চৎনবীদা থুগায়রকপা ওইনা থোক্ত্রো? ঐখোয়গী পাখঙবগী পাফল ফিরাল নৎত্রগা মচু তরেৎকী ফিরালগসিনা গাড়ী দ্রাইভরনা ঝারোন তৈথোক তৈশিনগী ওইনগা শীজিন্নরক্লগাদি মদু মরীং মরাংদ্রো? ঐখোয়গী কাঙলূপ-খক্তগী ওইবা ৱাসু নত্তে কাঙলূপ খুদিংমক্কী ত্রেদিসনল দ্রেস, কলচরগা মরী লৈনবা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়া লৈরি। মদু হেক থুগাইরকপদা কঞ্জার্বেটিভ ওইজবা ফেনাটিক ওইবা, লুপশিঞ্জবা কাঙবুদনা হেন্না ধন্মগী ওইবা লান থোরক্লবগী মচাক ওইদবসু নত্তে। ফুরুপ অমগী ফিজোল মচু-মমেন মতৌ তমদুনা অতোপ্পা দিজাইনগী ওইবা পোরম ওন্থোক্লবদগী খৎন-চৈনবা কয়াসু থোকখ্রে। অসিগুম্বসি থোক্তনবা ফেসন দিজাইনরশিংগা কলচরেল কাঙবুগসু তোয়না ৱারী শামিন্নদুনা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা কয়াসু খঙমিন্নহন্নীংই। লৈরুম শারি ওইনা পুথোরকপদনা ঐখোয়গী কলচরদা মরীং-মরাংহনবা ওইগদ্রা-ওইরোইদ্রা মসিসু খন্থমিন্নহন্নীংই।

ঐখোয়গী ইরল ওইদুনা লৈজরবা মশক নাইরবা পোৎশক অমবু মীয়ামদা হেন্না শকখঙহন্নবা অমদি ঐখোয়গী ইনকম চাউনা লাকহন্নবা পোৎশক অমদা দিজাইন তৌদুনা শীজিন্নবদা করিসু কায়দে হায়বা খঞ্জবা সেক্সন ওর্গনাইজেসনশিংসু লৈতবা নত্তে। লৈরুম ফি অসি শাবা অমসুং য়োনবদা শেন্দোং য়াম্না লৈবদি নত্তবা চঙদবা য়াদবা পোৎশক অমদি ওইবা পোৎশকনি। ঐ লুহোংবদা উল্লকখিবা লৈরুম ফি অদু শুকশিন হেক শীজিন্নদনা হৌজিকসু উপু মনুংদা থুপ্লগা তাদুনা ঙসিসু লৈরি। অদুবু হায়রিবা ফি অসিগী মচু মমেন দিজাইন তৌথোক্তুনা লৈঙাক্না ওন্থোক্তুনা মীয়াম্না পাম্না শীজিন্নবা পোৎশক অমা ওইনা য়োল্লকপদগী হৌজিক মণিপুরগী ফিশাবীশিং চহী অমদা শেন্দোং চাউনা তানবা ঙল্লে। য়াল্লবা মণিপুরগী দিপার্টমেন্টশিংগী খুদোল পীননবা ওর্দর তৌরকপদগী য়াল্লবা ইনকমসু লাকহল্লে হায়রি। মসি য়াল্লবা শিন্মীশিংগী থবক পীবিনবা পায়খৎলকপা খোঙথাং অমনি হায়না লৌবসু য়াই। ঐখোয়গী ফজ-ফজখ্রবা ময়েক কয়া অমসু শুপ্নতগী কলকরখক্তদা তাউদুনা লৈরগা মীয়াম্নদি শকখঙবীদনা কাঙ্খ-থাঙগুম কয়া অমসু তারগা লৈরিবা কোঙ্গাইনি। হীরম শোমদসু অখঙ অহৈশিংনা মীৎয়েং চঙহন্নীংই। ক্লাস নাইন তম্বী মহৈরোয়শিংদগী কোলেজ লোইদ্রিঙৈগী থাক ফাওবদা মৈতৈগী হেন্দলুম্না শাবা ফনেক নত্তনা অতোপ্পা মখলগী মপান লমগী ওইবা ফি অমত্তা শীজিন্নবা য়ারোই কা হায়বা লৈঙাক্কী ওর্দরগসি পূক্নিং য়াম্না থৌগৎচৈ। ঐখোয়গী কলচরসু ঙাকপা, ইনকম জেনরেট তৌরক্লবা মরমসু ওইবা, মীয়াম্নসু য়ানগদবা হীরমলোমদা কোক থাদহন্নীংই। খ্বাইদগী হঞ্জিন-হঞ্জিন থাগৎচবদি মণিপুরগী ফিজোলবু মালেমদা মশক তাল্লকপদা ভাইরেল ওইরকপা অসিনি। ইমা নঙগী লমদমগী ফিজোলসি ওন্থোক্না মগুন লৈখ্রে, মীয়াম্না নহাক্কী ফিজোল হেন্না শকখঙবীরে হায়বসিনি। ●

# মীরম লাইনীংনা ইরম লাইনীংদা খোঙলৌবা - ২২

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

ইরমদমসিগী হৌরক্লোন্দগী হৌনা য়াম্না থাক ৱাংবা লৌন-লৈনবগী চৎন-কাঙলোন লৈজরকই। মসি ঙাক্তবা মীওইবু নামুংবা হায়দনা তৌনরকই। অদুবু মথক্কী কাঙলোনসি ঙাক্লগা, লমদমসিগী খুন্নাইদা মবুং তিন্নরগা মচননুপী লৌবা, মৌপ্বা খঙনরগা মচে লৌবা, শাগৈ অমগী মী অমা নকশিন্না খঙনরগা শাগৈদুগী চনু নিংঙোল লৌবা অদুম চৎনৈ/তৌনৈ। থোইনা ফজদনা ঙাঙনদে। অদুবু মপা খঙনরগা (করিগুম্বা মরম অমদগী) মচানুপী হেক লৌবা/থাজবা কয়া তৌনদে। মদু ওইরবদি/থোল্লবদি য়াম্না থীনা ঙাঙনবা/য়েমৌনবা, মশাগী ওইজবা থিবা ওইনা লৌনৈ। অমুক্কা হেন্না থীনা ফজদনা ঙাঙনবদি মচানুপীদুনা মীওই শুদ্রিবা ওইরবা/লুহোংবা য়াবগী চহী মতাং ওইদবা ফীভম/মতাং-মতমদনি। করিগুম্বা লাইনীং অমদা অসিগুম্বা থৌওংসি থোক্লবদি থাক য়াম্না নেম্বা লাইনীংনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। খুদম, মৈদিংঙু পামহৈবনা রামান্দি লাইনীং লৌবা মতমদা ময়াং মচা শান্তিদাস গোষাইনা লাইমীং পীবা গুরু ওইখি। অদুগা অমুক মৈদিংঙু পামহৈবনা শাংশিংগী লান লোইরবা মতুং খৃ: ১৭৩৮গী কালেনগী ১৪নি পানবা থাংজ নুমিৎতা মনাও ইবেন্মা মাইবম চনু হিদাংশুংবীনা পোকপী তম্ফা ৱাংঙমলোন চমপকলাতা অহেনবীবু শান্তিদাসতা লুহোংদুনা থাজবদগী নিংথৌগী গুরু ওইবতা নত্তনা ইমুং-মনুং, মরী-মতা ওইখি। (নিংথৌরোল ইনোৎ-লা: ২৩৪)। লাইনীং অমগী লাইমিং গুরু হান্না ওইবা মশাদা মচানুপী অমা থাজরগা মমাকনিপা ওইবসিবু লাইনীংগী ৱা তোকসি, করম্বা মীওইবগী খুন্নাইদা লৈরমগদগে।

নাকল অমরোমদা অমুক, মশু ইবুংঙো মৈদিংঙু চীংথংখোম্বগী সনা হাক্তক্তনা কাইনদা হৌবা থৈবোং পাম্বী য়াল্লগা মকক ৯ থোক্লা কল্লগা মুকশন হিন্দু লাইনীংগী ওইবা লাই ৯ শাখি। (লমাবম গোজেন্দ্রনা খোমজিনবা লাইরিক ‘মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্র - রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র’ লা: ৭১)। অনীশুবা মকক্তগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজি নিরুপম তৌরবা মতুং অভিষেক তৌরগা মহাকপু (গোবিন্দবু) লাৎচৌ হায়বা মরীদগী কোন্না মণিপুর কৌরকপা লমদমসিদা চঙলকখিবনি। মখা তারকপদা ‘অখঙ-অহৈ ওজাশিং রমান্দ ঠাকুর, ঙাংবম স্বরুপানন্দ, কবো খুম্বোংনচিংবদা শিন্নদুনা মখোয়না মৈতৈগী হান্না লৈজরম্বা কলাগী মচাক লাই হরাওবা, খৌ, থেঙ্গৌনচিংবদগী লৌখৎলগা রাসকী জগোয়গী অভিনয় শেমগৎতুনা মণিপুরগী কলা কৃষ্টি, লৈহাওগা চুন্ননা তোপ তোপ্পা মওংদা মহারাস জগোয় পুথোকই’’ (মথক্কী লাইরিকসিগী লা: ১২, ৯, ৭২ অমসুং ৭৩ শিংদা য়াওবশিং)। অসিগুম্বা জগোয় রাসসি খৃ: ১৭৭৯দা লাংথবান্দা অভিষেক তৌরবা মতুং কৎনবা নুমিৎ লেপ্পবা ফাওবদা রাসেশ্বরী ইবেন্মগী মুর্ত্তিদি অঙ্গরাগ তৌবদা কংদনা লৈবদগী মতমদুদা মশাগী চহী ৮দা ঙাইরিবী মজাইবেন্মবু কৌশিন্দুনা শ্রীগোবিন্দগী মুর্ত্তি নাক্তা লেপহনবদা রাসেশ্বরী ইবেন্মগী মুর্ত্তিগা চাউবা মান্নরমই (লাইরিকসিগী লা: ১২)। অসুক চহী নৌরিবী নুপী ওইবীগী কয়াৎ শুদ্রিবী, মচাই ইবেন্মা বিম্বাবতীগী থম্মোয়দা শ্রী গোবিন্দগী থৌজাল (কৃপা) নিজবগী মহয় ওইনা মাগী মঙলান্দা তাকপীরম্মী হায়বদু মথক্কী লাইরিকসিগী লা: ১৭তগী ‘বিম্বা! নঙগী মধুর প্রেমদা ঐ পেল্লে। নঙগী নীংবা থুংজরো। শ্রী গৌরাঙ্গগী মুর্ত্তি নিরুপন তৌদুনা মুর্ত্তি অদু ঐমকনি খন্না নবদ্বিপ্তা সেবা চৎলুরো। মফমদুদা প্রেম ভক্তিগী প্রচার তৌরুরো।’’ মসিগী মখা চথ্খরকপদনা - ‘বিম্বাবতীনা মঙগী ৱাদুবু মপাবুং মহারাজদা তমজরে। কাইনাগী থৈবোং মকক ৬শুবদুনা, খূৎহৈবা সাপম লোখোননা গৌরাঙ্গগী মুর্ত্তি নিরুপম তৌরে।’’ শম্না হায়রবদা, মপাবুংগী মঙলান্দগী গোবিন্দ অদুগা মচাইবেন্মগী মঙলান্দগী অনুপ্রভু থোরকখি।

নিংথৌগী মচাইবেন্মশিংবু ‘তম্ফা ৱাংঙমলোন’ হায়নৈ। অদুগা মীচম নুপী অমনা নিংথৌগী নিংথেমকোলদা/মচা-মশুশিংদা ওংলবা মতমদা - ‘শিজ’ (শম্না ময়াম্না লৈমা শিজ) হায়নৈ। জগোয় রাসতা রাশেশ্বরীগী মহুৎ বিম্বাবতিনা শাখিবদগীরা নৎত্রগা করি করম্বা ৱাথোক্তগী/থৌদোক্তগীনো - ‘‘পলেমনা নুংশিনা মমোম লাংলেন নুংওনবীবু শিজ হায়না কৌজৈ। তুংদা শিজদগী শিজ লাইওইবী কৌনরকখি।’’ (লাইরিকসিমক্কী লা: ১৩)। মখা তানা খঙজনীংবদি - মশাগী (বিম্বাবতীগী) চহী কয়া শুবদা, কদায়দা, কমদৌনা পুন্সি লোমখি হায়বগী ৱাফমদি অইবা-অইবী কনা অমত্তনা ইদুনা পনবা থেংনদবসি করি করম্বা মরম লৈরবনো চিংনদবা ঙমদে। মরমদি মীচম অমা নত্তবা মীওইপোক ওইখিবনিনা মথক্তা হায়খিবশিংসি খঙফমদি শোয়দনা থোকই খঞ্জে।

মপুধৌ মৈদিংঙু পামহৈবগী সনা হাক্তক্তনা মীরম হিন্দু রামান্দি লাইনীংগী গুরু ওইখিবা ময়াংমচা শান্তিদাস গোষাইদা অমুক মচানুপী থাজরগা মমাক নুপা ওইবসিবু মরী লৈনবশিংনগা য়াবীনীংব্রা? মতমদুদদি নিংথৌনি, অঙম্বনি, তৌনীংবতা তৌগনি হায়দুনা মতমদুগী মীচম মীয়ামগী মচিন মেনখিরম্বগী ৱাফম ওইরম্বদি য়াই। অফবা খুন্নাইনদি মথোং মরম খঙদবা মীরম লাইনীং লিচৎনি হায়রোইদবগী মরম লৈরোই।

মশু ইবুংঙো মৈদিংঙু চীংথংখোম্বগী সনা হাক্তক্তনা ময়াং হিন্দু লাই অমনা মমঙদা হায়রম্বদগী ইরমদমগী লাই ওইরিবা ইপুধৌ পাখঙবগী শুরুং লৈবা মফমদুদা থৈবোং পাম্বী ওইনা হৌরমগে, মদু য়াল্লগা ময়াং হিন্দু লাই গোবিন্দ শাদুনা অভিষেক তৌরবা মতুংদা জগোয় রাস (চোইখোম জগোয়) কৎলকউ হায়বদু কৎপা মতমদা মচানুপী বিম্বাবতীবু রাসেশ্বরী শাহনখিবদগী শিজ লাইওইবী/লাইওংবী/লাইরোইবী/লাইনীংবী হায়না অনুমহাপ্রভুগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা অইবা-অইবী কয়াগী মতুংইন্না, মপা ইবুংঙোবু শেন্বীরকপা/কনবিরকপা লাইনি হায়বসিগা অমুক মরী-মতা ওইরকপসি - মপুধৌ পামহৈবা অমদি মশু ইবুংঙো চীংথংখোম্বগী সনা হাক্তকশিংদা ইমান মান্নবা মওংদনি। অসিগুম্বা মুকশন লাইনীংসিবু খুন্নাইনা মনুং হুনজিন্না খন্থরবদি চৎফম/ইনফম থোক্লিব্রা হায়বসিনি। মতাং অসিদা নীংশিংজনীংবদি - ‘অইবনা তত্তনা হায়বা ৱাফম - মীরম হিন্দু লাইনীং অশেংবগী ৱাফমগা মরী লৈনদ্রে, অশেংবা লাইনীং মশেল য়েৎনদে।’’ হায়বদি ময়োল লমদগী অশেংবা লাইনীং চৎচবা ময়াংশিংগা ইনাৎ লাইনীংগা মান্নদবনা য়েৎনদে। মরমদি মখোয়নসু খঙদবনিনা য়েৎশিন্দে। শামরক, ঙামরক ওইবশিংনা খোঙলৌবগী ৱাফমতনি।

মৈদিংঙু চীংথংখোম্বগী মপুধৌপুরেন মৈদিংঙু চরাইরোংবনা পানবা ইরৈপাক, মণিপুর কৌদ্রিঙৈদা, ওরিষাদগী লাকপা রাইবন মালি অচার্য্য হায়বা অমদগী খৃ: ১৭০৪গী শজিফু ৫নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা মৈদিংঙু চরাইরোংবনা হিন্দুগী মিং পিতম্বর সিংহ হায়না (হান্না কৌরম্বা মশাগী মমিং) ওল্লগা নিমান্দি লাইনীংদা লাইমিং লৌরম্মী। শম্না, বনমালি অচার্য্যনা মৈদিংঙু চরাইরোংবগী লাইমিং গুরু ওইবদগী মহাক্কী (গুরুগী) য়ূম্নাকপু ‘গুরু-অরিবম’ হায়না পীরম্মী। অদুদগী কৃষ্ণ নীংবা হৌবদগী খৃ: ১৭০৭কী কালেনগী ১৯নি পানবা ইরাই নুমিৎতা কৃষ্ণগী কিয়োং/ফুরা লাইয়ুম শাদুনা কৃষ্ণবু লাৎলম্মী। (নিংথৌরোল ইনোৎ - লা: ১৮৮-১৮৯)। অইবনা থমজনীংবা ৱাফমদি মপুধৌপুরেনগী মতমদা কৃষ্ণ লাৎপা হৌরম্বদি লাইমিং গুরুগী য়েংলগা তৌরম্বখক্তনি। অদুবু মপুংদি ফাখিদে। অদুগা মশু শুথাং ওইবা মৈদিংঙু চীংথংখোম্বগী মতমদদি লমদমসিগী লাই ওইরিবা ইপুধৌ পাখঙবগীদা শৈদাংলগা (হান্না ইজখ্রে) গোবিন্দ হায়না মমিং ওন্থোল্লগা মুকশন হিন্দু লাইনীং ওইনা চঙলকখিবনি হায়বসিনি। অদুগা অমুক মচা ইবেন্মা বিম্বাবতীনা মরম ওইরগা অনুমহাপ্রভু হায়না মিংথোল্লগা নবদ্বিপ্তা, কোন্না মণিপুর কৌরবা ইরমদম লৈশেম্লকঙৈদগী ঙসি ফাওবা মচি লেংদনা লৈরিবসি, থাদোল্লগা চৎখ্রে হায়বসি মমাঙদা ৱারেংসিমক্তদা কয়ারক য়াওখ্রবনি।

মীয়োক মীচান ফরুবদগী ঐখোয়গী ইরমদমসিদা মীতোপ লাইনীং চৎপশিংদা নত্তনা মীরম লাইশিংনা ফাওবা চঙশিল্লক্লগা করিগী অসুক য়াম্না খুরৌ থাংনীংলিবনো হায়বসিগী মরম থিদোকপগী তঙায়ফদবা তাঙ্ককসি লাক্লে হায়বা য়ারে। মতাংসিদা থমজনীংবা থৌওং খরদি - অহানবদা ইরমদমসিগী মীওই খরগী ৱাখলদা ‘লমগী ষণনা মচি শাংই, মীরমগীনা পংহেন্দা হেন্না ফরবোই খনবসি থাদোকপা চুমগনি। অনীশুবদা, ‘ইয়েক্লা ইপানি, ইরোলনা ইমানি’ হায়বা শিদ-হীদাকসি মতম লৈবা খিবিক্তা কাউদবা তাই। অহুমশুবদা, খুদোংচাবা লৌবা লাকপা মীতোপশিংনা ইরমদমসিগী পাঙ্গল লৌশিং শোম্থহন্নবা হোৎনবা নত্তনা অতৈ হেন্না ফনবা করিসু তৌবিরোই হায়বসি ‘মমাঙথক্তগী খঙদুনা লাক্লবা খঙবা য়ৌদ্রিবা লাইচৎ অমনি।’’

খ্বাইদগী মরুওইবা মরম অনীদি - ইরমদমগী মতিং লৈবা-লৈবী লাইনিংথৌ খুদম ওইনা মোংবহনবা লাইনিংথৌ, হিয়াংথাং লাইরেম্বী ইমা (মীতোপ লাইনীং চৎপশিংনা মীরমগী লাইরেম্বীগী মমিং থোনজিল্লিবা), ফর্ষ্ট এম আরগা থংননা লৈরিবা ইমাগী হৌরক্লোনগী ৱারীশিং খঙদোকপসিনি। অদুগা, হৌরক্লোনগীদা লাইশক খঙলবা মতুংদা লাইথৌ, হৈকৎ-লৈকৎ চুমথোকপা ... মথং-মথং। তাঙ্কক নাইনা চথ্খজরকপা ৱারেং খরদা ময়েক শেংনা পঞ্জখ্রে মদুদি - মীরমগী লাই গোবিন্দগা ইরমদমগী লাই ইপুধৌ পাখঙবগা য়েৎননীংঙাইদি ওইদ্রে অদুবু লমদমসিগী লৈবাক মীয়ামগী ঈহৌনা ঈরাৎ থৌনি থৌরম ওন্থোক্কদবদা মঙাইরে হায়না শমজিনজরগে। হেন্না ময়েক শেংনবগীদমক মখাগী অসুম্না থমজরি :-

মীরম লাইনীংগা মরী লৈননা থোনখিবা/পীখিবা মিংথোল ‘রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র’ গী মচা ইবেন্মা শিজ লাইওংবী/বিম্বাবতীনা মপাবুং মহারাজকী মঙদগী পুশিল্লকখিবা লাই গোবিন্দগা নক্লবা মরী লৈনবসি ফানবা হোৎনবগী থৌদোক অমদা শ্রীগোবিন্দজীনা মনাই শিজ লাইওংবীদা হায়খি হায়বা ‘‘ঐগী মুর্ত্তি অসিদি মণিপুর সনা লৈবাক্তা অসুম্মক লৈহৌরসনু, নঙ-ঐ তত্তনা উনবদা কায়রোইদবা মফম শ্রীধাম নবদ্বিপ্তা চৎলসি। মফমদুদি ঐগী মুর্ত্তিসি গৌর বর্ন ওইবনি, নপাবুং মহারাজদা ঐবু নিরুপন তৌখিবা থৈবোং মকক অমা কক্লবা নিরুপন লাংহল্লো। মুর্ত্তিদুগী মমিংনা ‘অনুমহাপ্রভু’ থোঞ্জরো। অভিষেক লোইবগা ঐবু পুদুনা গঙ্গা তীর্থ শ্রীধাম নবদ্বিপ্তা লৈরুরসি।’’ (মথক্কী লাইরিকসিগী লা: ২৮)। মসিদগী ঐখোয়না খঙলে মদুদি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা খৃ: ১৭৯৮ ইংদা অনুপ্রভুগী মুর্ত্তি নবদ্বিপ্তা লাৎখিবদগী (লাইরিকসিগী লা: ৩৯) ময়াং হিন্দু মুকশন লাইদি ইরমদম মণিপুরসিদগী চৎখ্রে, লৈত্রে হায়বা য়ারে। মসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনসি মতমগী খোঙলৈনা খৃ: ২০১৭ইং রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী ২১৯শুবা লৈখিদবা কুমওন ফাওবদংগী ওইনা খাংদুনা লৈরম্বসি য়ারক্তবদগী মতমগী খোঙগনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমগী মতৌগুম ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা শ্রীরাধাকুন্দগী মফম অমদা কুমজা ২০১৭সিদা মালেম শিনথুংনা শিংহনখ্রবনি। মালেমদা খঙনরমদবা ভাইরস ‘কোরোনা-কোভিদ-১৯, ইরমদমগী পুয়াগীদা ময়েক শেংনা লাচন্দুনা য়াওরম্বা/পীরম্বা - ‘ক’ না হৌবা মফমদা হেন্দোক্তনা লৈরবদি হিংগনি হায়রম্বসি ঙসিগী ওইনদি ‘কোন্থোং’ ৱাংমা লান্দনবা মালেমগী লৈবাকশিংদা থম্নরিবা ‘কর্ফিয়ু’ - লোকদাউনগী অথিংবগী মথক্তা, মসিবুনি - মীনম্বা য়াদ্রবা ‘মতমগী খোঙলৈনা পুরকপা অচুম্বা শিদবা মপুগী মপাউ’। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।